HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



থৌবাল ওক্রম ৱাংমা তবদা লৈবা মণিপুর সাহিত্য সম্মিটি থৌবালগী শঙলেনদা শ্রীমদ পরমহংস স্বামি জোগেন্দ্রনন্দ গিরিগী ১০৯শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা মহাক্কী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবা

সেনাপতিগী দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘ইমাগী নুমিৎ’ উৎখ্রে
☛ লামায় ৩

অরোং তুরেল মপান্দা লম খোপচিনবশিং তকথোকপা হৌখ্রে
☛ লামায় ৫

এল এস টি বিগী মীওই ৯না শাবা কাঙবু ইম্ফাল থাদোকখ্রে
☛ লামায় ৬

সোসল এক্টিভিষ্ট মাইবম ঈতীন মৈতৈদা দেল্লীগী লাজপট ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা আর্ক ফাউন্দেসন অমদি ভিজুএল এদ্যুকেসন ত্রষ্টকী ইন্সপয়ারিং ইন্দিয়ন কোফি টেবল বুক, ২০২২গী মনা লান্থোকপা



Vol. 46, Issue No. 058 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 24, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## এম এল এ ওলিসকী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন

# কাউন্সেল চঙলক্তবদগী কোর্টনা চত্থফম থোকপা ৱায়েল চত্থরগনি হায়খ্রে



### অনীশুবা ইলেক্সন পিটিসনগীনা কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিস পীবা চৎপদা ছো লোন্দুনা লৈরম্লে হায়রি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা এম এল এ ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ২৯গী মনুংদা ৪১-চান্দেল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারকখিবী এস এস ওলিসকী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২ অমসুং ২৬ ওফ ২০২২ অনীমক ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লৌখৎখিবদা ইলেক্সন পিটিসন অনীসিগী মনুংদগী অমগা মরী লৈননা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবী এম এল এগী মায়কৈদগী মহুৎ শিনগদবা কাউন্সেল চঙলক্তবদগী কোর্টনা রুলগী মতুংইন্না কেস অদুগী চত্থফম থোকপা ৱায়েল চত্থরগনি হায়না খঙহনখ্রে হায়রি।

কোর্টকী মায়কৈদগী ৱাফম অসি লাংহু পোলরিং অনালনা পিটিস্নর ওইদুনা এম এল এ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২ লৌখৎলকপদা খঙহনখিবনি হায়রি।

কেস অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা ইলেক্সন পিটিসন অসিমক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বেঞ্চ অসিনা অহানবা ওইনা লৌখৎতুনা খন্নবা হৌখি। নুমিৎ অদুদা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবী এম এল এ অসিদা ঙসি ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং চত্থনবগীদমক ঙসি অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌবদগী লৌখৎখিবনি।

অদুবু মমাঙদা বেঞ্চ অসিনা ইস্যু তৌখিবা নোটিস অদু থা অসিগী ১৫দা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবী এস এস ওলিসনা ফংলে হায়বগী রেকোর্দ ফাওবা কোর্টতা লৈনা লৈনা ঙসি মেট্টর অসি কোর্টনা লৌখৎলকপদা রেসপোন্দেন্টগী মায়কৈদগী মহুৎ শিনগদবা কাউন্সেল চঙলকখিদবনি হায়রি।

ফীভম অসিদগী কোর্টনা মমাঙথক্তা ইস্যু তৌখিবা নোটিস ফংলবা ফাওবদা ঙসি অমুক হন্না লেপখিবা নুমিৎ অসিদা রেসপোন্দেন্টগী মায়কৈদগী কেস অসিগী ৱায়েলগী থবক্তা মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা কাউন্সেল চঙলক্তবগী ফীভম রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টগী মায়কৈদগী কাউন্সেল চঙলক্তবনিনা কোর্টকী মায়কৈদগী লৈরিবা রুলশিংগী মতুংইন্না কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরগনি হায়বগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মথক্তা কোংগ্রেসকী লিগেল দিপার্টমেন্টনা দি জি পিদা ৱাকৎখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চেয়রমেন ওইরিবা এদভোকেট এস শ্যামচরননা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মথক্তা করপসনগা মরী লৈনবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেসকী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চেয়রমেন এদভোকেট এস শ্যামচরননা ঙসি দি জি পিদা পীশিনখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী সোসল মীদিয়া য়াওনা পাউশিংগী খূত্থাংদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থা অসিগী ৩দা জেনিমসতা ফমুং ১০ লৈগদবা আই সী য়ু অমা অমসুং টেলে আই সী য়ু হব অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইরিবা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী এল সুসিন্দ্রো এলিয়জ য়াইমদা হন্দক ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সন অদুদা লুপা ক্রোর কয়া চঙখ্রবগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী ভিদিও ক্লিপিং ভাইরেল ওইরকপদগী মাঙজৌননা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পাউমীশিংগী খূত্থাংদা চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মরোল থোকপা লাই



## পি দব্লিয়ু দিগী এস ঈ ১সুং ঈ ঈ ওইরম্বা ২, ঈ ঈ, এ ঈ ১সুং এস ও ওইরিবা ৩গী মথক্তা করপসন এক্টকী মখাদা কোর্টনা কোগনিজেন্স লৌখ্রে

# এক্ক্যুজ ৭মক কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রে

### ফর্ষ্ট ক্লাস কন্ত্রেক্টর ১ য়াওনা মীওই ২গী মথক্তসু কোগনিজেন্স লৌরে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা লোয়শঙ অমা ওইরিবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী হান্না সুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়র (থ্রী), এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র (তেংনৌপল দিভিজন) ওইরম্বা ইঞ্জিনিয়র ২ য়াওনা লোয়শঙ অসিগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র (তেংনৌপল দিভিজন), এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়র (সব দিভিজন-২), মোরে অমসুং সেক্সন ওফিসর (তেংনৌপল দিভিজন) গী মথক্তা কোর্টনা প্রিভেন্সন ওফ করসপন এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কোগনিজেন্স লৌখিবগা লোয়ননা চপ মান্নবা কেস অসিদা এক্ক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা ফর্ষ্ট ক্লাস কন্ত্রেক্টর অমা য়াওনা মীওই অনীগী মথক্তনা আই পি সীগী সেক্সন অনীগী মখাদা কোগনিজেন্স লৌখিবগা লোয়ননা অপূনবা এক্ক্যুজ ৭ মক কোর্টতা মশা কারক্লবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ইন্দিয়াদা মঙ্কি পোক্সকী লায়না থেংনদ্রি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. সোমোরজিৎ নিঙোম্বমগী চেরোল অমদা মঙ্কি পোক্স হায়রিবা লায়না অসি ভাইরেল জুনোটিক দিজিজ অমনি হায়রদুনা লায়না অসি হৌজিক অহানবগী ওইনা সেন্ত্রেল অমসুং ৱেষ্ট অফ্রিকাদা থেংনরে হায়রি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিদদি মঙ্কি পোক্সকী কেস অমত্তা থেংনদ্রি হায়রি।

লায়না অসি শাদগী মীওইবদা লৌনহনবা ঙম্বগা লোয়ননা লায়না অসিনা নারবা মী অমদগী অমদা লৌনহনবসু ঙম্মী হায়রি। শাদগী মীওইবদা লৌনরকপগী মওংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Wathok khudingmak taisinnaba yai haibasi Thangjing Chinggi matangda yasinnaba asina takle haibasi chumgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Drugka mari leinaba casesinggi wayel athuba matamda loisinbana War on Drugsta mateng pangba oina thokloidra?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙো নফি নরোলবু অদুম্না শেৎ চাব্রা?



- খূরা, ঙাওবা কয়ামুক কুইরগে।

## থাংজিং চীংগী ৱাহৌদা সী পি পি কে টি অমসুং কে এস ও, হেংলেপ য়াশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৫ দা থাংজিং চীং কাবদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা চীং কাবা মতমদা মখোয়গী ভিলেজ চীফকী অয়াবা লৌগদবনি হায়না কে এস ও, হেংলেপনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদুগী মতাংদা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ দি হিষ্টোরিকেল রাইটস ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিলস রেঞ্জেস (সী পি পি কে টি) না লমদম অসিগী সী এস ওশিংগা খূৎশম্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লগা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা কে এস ও, হেংলেপকী ৱাফম অসি হন্দোকউ নৎত্রবদি হেংলেপকী কুকিশিং তম্পাক্তা কুম্বদা থিংগনি হায়দুনা থমখিবা অথিংবশিং অদু ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লমগী ৱাহৌদা অশোক অপন য়াওনখ্রে, অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : এন ঐচ-১০২ পরিংগী ককচীং লমখাই মনাক্তা লৈবা খাংসিম খুল মনাক্কী মফম অমদা ঙসি অয়ূক্তগী হৌরদুনা লাইচিং খুলগী খুঞ্জা খরনা কৈথেল অমা শঙ্গাগনি হায়দুনা থৌরাংলক্লিঙৈগী চৈরক নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদা কৈথেল শঙ্গাগনি থৌরাংলিবা মফমদুদা খাংসিম খুলগী নুপীশিং থোরক্তুনা মফম অদু মখোয়গী খুলগী লমনি, লাইচিংগী কৈথেল শঙ্গাবা য়ারোই হায়দুনা থিংলকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নরক্তুনা অশোক অপন য়াওনখ্রে। ফীভম অদুদগী তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মচি সব দিভিজনগী মনুং চল্লিবা খাংসিম ভিলেজ অপূন্বদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা অথিংবা থমজিনখ্রে।

অথিংবা অসিগী মতুংইন্না মফম অসিদা লো কায়হনবা য়াবা থৌদোক ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## পি এম এ ৱাইগী শেনফমশিং পীথোক্কদবনি ঃ জয়কিষণ

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর অৱাজ যোজনা (হাওজিং ফোর ওল) স্কিমগী বেনিফিসরিশিংদা পীথোকফম থোকপা অহানবা অমসুং অনীশুবা ইন্সটোলমেন্টশিংগী শেনফমশিং অথুবা মতমদা পীথোক্কদবনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মহাক্কী থাংমৈবন্দদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, পি এম এ ৱাইগী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা পীগদবা শেনফমশিং অদুনা পায়খৎকদবা থবক অয়াম্বা মাহুদ লোয়শঙগী মখাদা চত্থবনি। পি এম এ ৱাইগী বেনিফিসরিশিংদা পীগদবা শেনফমসি লুপা লাখ ১.৬০নি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না শেনফম অসিগী তঙ্খায় অমা হান্না সেঙ্কসন তৌরগা বেনিফিসরিশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ১২ খক্তমক কাপখ্রে

### মে ২২, ২০২২ ফাওবদা কোভিদ-১৯গী কাপথোকখিবা অহানবা দোজ চাদা ৬১.৮৩ অদুগা অনীশুবা দোজনা চাদা ৫১.৯৪ খক্তা ঙাইরি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : মালেমগী মফম পূম্নমক্তা শন্দোরকপদগী মীওইবা খুন্নাইগী খ্বাইদগী শাথীবা য়েক্লবা লায়না অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ফহনবগী চপ চাবা হীদাক পুথোরক্ত্রিবনা হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক পূম্নমক্তা লায়না অসিবু চঙহন্দনবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইবদগী য়ারিবমখে থুনা হীদাক অসিবু কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংদা কাপথোক্লবগী থবক অকনবা মওংদা চঙশিন্নরক্লগসু মণিপুরগী ওইনদি হীদাক কাপথোকপগী চাং হৌজিক ফাওবদা য়াম্না নেম্লিবগী মথক্তা ঙরাং মে ২২, ২০২২দদি খ্বাইদগী য়ামদনা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ শুপ্নতগী ১২ খক্তমক কাপখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হায়বনি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙরাং কাপথোকখিবা কোভিদ-১৯গী অপূনবা দোজ মশীং শুপ্নতগী ১২ খক্তনি। অদুগা দোজ ১২ খক্তমক কাপথোকখিবা অসি থারগা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কাপথোকখিবা অপূনবা দোজ মশীং ২৮,৮৩,৬৫৩ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী মশীংনা ১৫,৬৬,৯৯০নি অদুগা অনীশুবা দোজনা ১২,২২,৯৯০ ওইবগা লোয়ননা কাপথোকখ্রবা প্রিকোস্নরি দোজগী অপূনবা মশীংনা ৯৩,৬৭৩নি হায়রি।

অমরোমদা, কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নরক্লিবা মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা য়ারবা অপূনবা মীওইশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/7659/24